অনীশুবা অম্ফা কপ : সিমরেনগী হেটট্রিকনা কে ৱাই ভি ওনা ট্রুগপু মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৮(ঐচএনএস): সোরাইসম সিমরেননা অনীশুবা হাফতা চনখিবা গোল ৩ অমদি জোনিটসন চিরু অমদি তাওরেম কেলভিননা শান্নবগী ৩৮ অমদি ৬৩ শুবা মিনটতা চনখিবা গোল অমমম্গী মতেংনা ক্বাসিফাই য়ুথ ভলুন্টিয়র ওর্গনাইজেসন (কে ৱাই ভি ও)না ট্রুগপু নম্বোলবু লাকচনা ৫-০দা চথুরিবা অনীশুবা অম্ফা কপ ২০২২গী ঙসি আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা গ্রুপ বিগী মেটচ অমদা মায়থীবা পীখ্রে।

সিমরেনগী অহানবা গোল অদুনা অনীশুবা হাফ হৌরকপা কুইদ্রিঙৈ শান্নবগী ৪৮ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। মহাক্কী অনীশুবা গোল অদুনা শান্নবগী ৭১ শুবা মিনটতা চনখি। মহাক্কী হেটট্রিক অমদি মায় পাকপগী ৫শুবা গোল অদুনা মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমগী অহুমশুবা মিনটতা চনবা ঙমখিবনি।

অতোপ্পা চপ মান্নবা গ্রুপকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা লাংচিং য়ুথ গেমস সোসল এদ্যুকেসনেল এন্দ দিভলপমেন্টএসোসিএসন (এলৱাই জিএসঈদিএ) অমদি য়ুথ ওর্গনাইজেসন স্পোর্টিং ক্লব (ৱাই ও এস সী) খুরাই ৩-৩দা দ্রো ওইখ্রে।

ৱাই ও এস সীগী গোলশিং অদু খুৎহৈবম নৱাজ শাহনা শান্নবগী ২৫ অমদি ৩০ শুবা মিনটতা গোল ২ অদুগা লাইশ্রম দেনিএল খুমননা শান্নবগী ২৬ শুবা মিনটতা গোল অমা চনবা ঙমখি। এল ৱাই জি এস ঈ দি এগী গোলশিং অদুনা টি ঐচ জাংনৈথাং, জাংমিনলাল হাওকিপ অমদি ঙমটিনসাইনা শান্নবগী ২৮, ৪৪ অমদি ৫৪ শুবা মিনটতা গোল অমমম্ চনবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা থা অসিগী ৩০দা গ্রুপ এগী মেটচ ২ শান্নরগনি।

বোদি বিল্ডিংগী ট্রায়ল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৮ (ঐচএনএস): কোলকাটানা য়ূম্বু ওইদুনা নভেম্বর ১২ দগী ১৪ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ১১শুবা ইষ্ট জোন বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিজিক স্পোর্টস চেম্পিয়নশিপতা মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌনবা ওল মণিপুর বোদি বিল্ডিং এসোসিএসননা শীন্দুনা খুমন লম্পাক্তা লৈবা এসোসিএসনগী ওফিসতা ওক্টোবর ৯গী নুংথিল পুং ১দা ট্রায়ল সেলেক্সন অমা পাঙথোক্লগনি।

ওফিসল মঙা খনখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৮ (ঐচএনএস): অম্ফানা শীন্দুনা চথুরিবা মণিপুর ষ্টেট লীগ অমদি অম্ফা কপকী মেটচ ওফিসল পোষ্টিং কম্মিটিগী মেম্বর মঙা খনখ্রে। মেম্বরশিং অদুদি আর কে সনায়াইমা (চ্যেরমেন), এস জেমসকুমার (কনভিনর), আই রবিচন্দ্র (কো-কনভিনর), এল তরুনকুমার অমদি থার্চুং চারা (মেম্বর)নি।

দি বি কোৱরনা অম্ফাগী প্রসিদেন্ট ওফিস য়েংশিল্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৮ (ঐচএনএস): অম্ফাগী ভাইস প্রসিদেন্ট দি বি কোৱরনা সেপ্টেম্বর ৩০দগী ওক্টোবর ১১ ফাওবা অম্ফাগী ওফিস য়েংশিল্লগনি অদুগা এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরি এল নবানা অম্ফাগী জেনরেল সেক্রেটরি ওফিস সেপেক্টম্বর ২৯দগী ওক্টোবর ১১ ফাওবা য়েংশিল্লগনি হায়না অম্ফাগী প্রসিদেন্ট এম রতনকুমারনা খঙহল্লক্লি।

অমরোমদা, অম্ফাগী চেরোল অমনা ফোঙদোক্লদুনা কে রোশনবু ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী লিগেল এদভাইজর ওইনা খনখ্রে।

খেলো ইন্দিয়া সেন্টর সাইক্লিংগী ট্রায়ল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৮ (ঐচএনএস): ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ওইবা চহী ১৪ মখাগী নুপা অমদি নুপীগী খেলো ইন্দিয়া সেন্টরগী সাইক্লিং মশান্নগী ওইবা ট্রায়ল সেলেক্সন অমা ওক্টোবর ৫দা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্লগনি হায়না দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস ওফিসর ইম্ফাল ৱেষ্ট ৱাই কিরনবালানা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

শরুক য়ানিংবা স্কুল অমদি ক্লবকী শান্নরোয়শিংনা খুমন লম্পাক্তা লৈবা দি ৱাই এ এস ও ওফিসতগী ফোর্ম লৌরবা য়াগনি। ফোর্ম থাজিনবগী অরোইবা মতম্না ওক্টোবর ৪ ফাওবনি। ফোর্ম থাজিল্লকপা মতমদা মশাগী আধার কার্দ লোয়নরক্কদবনি অমদি শান্নরোয়শিংনা জন্যুৱারী ১, ২০০৮ অমদি জন্যুৱারী ১, ২০১০ ফাওবগী মনুংদা পোকপা ওইগদবনি হায়রি।

ভোভিনাম শান্নরোয় ব্যুলি, তেশমরান, লিদিয়া তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৮ (ঐচএনএস): হন্দক্তা থা অসিগী ২২দগী ২৫ ফাওবা লক্ষ্ণৌদা পাঙথোকখিবা ১১শুবা নেসনল ভোভিনাম চেম্পিয়নশিপতা মেদল লৌরকখিবী শান্নরোয় অহুম- সুখাম ব্যুলি (গোল্ড), এল তেশমরান দাংশাৱা (গোল্ড) অমদি মকুংঙা লিদিয়া (সিলভর)বু তোঙান-তোঙানবা মফম অনীদা তরাম্না ওকখ্রে।

থোংজু পার্ট-২ মাইবী লম্পাক্তগী এস সঞ্জিৎ অমদি এস অরুনীগী মচানুপী ব্যুলিবু থোংজু লোকল দিভপলমেন্ট সোসাসটিনা শীন্দুনা মাইবী লম্পাক্তা ওকখি।

তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী ৱাকশু ভিলেজদগী লৈখিদ্রবা দি এল মোন্সাংগী মচানুপী তেশমরান দাংশাৱা অমদি মচি ব্লোককী মিনৌ ভিলেদগী মকুংঙা মেথিলগী মচানুপী লিদিয়াবু কস্তুর্বা গান্ধী বালিকা বিদ্যালয়া লাঙ্গোল মচি ব্লোকনসু শীন্দুনা তরাম্না ওকখি।

SPOKEN ENGLISH

Classes for groups and special class for only one person
For Seniors, College and University Students

■Grammar ■Pronunciation ■Group discussion ■Public speaking ■Vocabulary

Global Spoken English, Gourahari Market,
Behind Pologround, Near Hotel Christina, Paona Bazaar, Imphal

(Timing: 5:00 am, 6:10 am, 7:40am, 11:00 am, 1:00pm, 4:00 pm, 5:30pm)

Instructors: Sir Tejkumar (Teaching Since 1987)
Alice Thokchom (MA English, Punjab University)

Contact Numbers: 8132904426, 9362150894

HL-B/7775/1/9-1/10

কিশোর কুমার ফর্ষ্ট দিভিজন লীগ

দি ৱাই এ অমদি এল এম এল সী সী মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৮ (ঐচএনএস): দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন ককচীংনা শীন্দুনা লমজাও প্লেগ্রাউন্দদা চথুরিবা ১৯শুবা কে এস ঐচ কিশোর কুমার ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা দিভলপমেন্ট য়ুথ এসোসিএসন (দি ৱাই এ) এলাংখানপোকপীনা সোসল দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (এস দি ও) পল্লেলবু ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

এস বোরিশনা মেটচ লোইরমদাই শান্নবগী ৮৫ শুবা মিনটতা দি ৱাই এগী অমত্তা ঙাইরবা মায় পাকপগী গোল চনবা ঙমখি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা লাংমৈদোং মমাং লৈকাই সিটিজন ক্লব (এল এম এল সী সী)না ওল ইরেংবন্দ ফুটবোল এসোসিএসন (এ আই এফ এ)বু ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে। লাংমৈদোংগী অমত্তা ঙাইরবা মায় পাকপগী গোল অদু ঈ বিরেন্দ্রকুমারনা শান্নবা হৌরকপগী ১৫ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা রেফরি কে ঐচ পর্শুরামনা লাংমৈদোংগী এস কাইকু, টি ঐচ দিনামণি, ঈ অভিনাশ অদুগা ইরেংবন্দগী এম রেনেদি অমদি এল রোশনবু য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

বালানন্দ সেকেন্দ দিভিজন লীগ

এঞ্জেল এফ সীনা লোক্তাক এফ সী থোইখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৮ (ঐচএনএস): দি এস এ বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা বিষ্ণুপুরগী মিনি ষ্টেদিয়মদা চথুরিবা ১৬শুবা এন বালানন্দ মেমোরিএল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা এঞ্জেল এফ সীনা লোক্তাক এফ সীবু লাকচনা ৪-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

পি জিদাননা শান্নবা হৌরকপগী ৭শুবা মিনটতা এঞ্জেলগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্না মখা তানা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৬৯ অমদি ৭৩ শুবা মিনটতা মায় পাকপগী ৩শুবা অমদি ৪শুবা গোল চনবা ঙমখি। অশিনিকুমারনা শান্নবগী ৬৫ শুবা মিনটতা এঞ্জেলগী ২শুবা গোল চনখিবনি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা এন জি ৱাই দি সীনা টি ৱাই দি এবু ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

এম বোইনা শান্নবগী ২২ শুবা মিনটতা এন জি ৱাই দি সীগী অমত্তা ঙাইরবা মায় পাকপগী গোল চনবা ঙমখি। মহাক শান্নবা হৌরকপগী ৯শুবা মিনটতা রেফরিনা য়েলো কার্দ অমা বূক তৌখিবনি।

এম য়ু ইন্টর কোলেজ কবাদ্দি ওক্টোবর ২০দা পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৮ (ঐচএনএস): মণিপুর য়ুনিভর্সিটি স্পোর্টস কম্মিটিগী লমজিং মখাদা এন জি মনি কোলেজনা য়ূম্বু ওইদুনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ইন্টর কোলেজ কবাদ্দি (মেন্স এন্দ ৱিমেন্স) টুর্নামেন্ট ওক্টোবর ২০দগী হৌদুনা পাঙথোক্লগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ফোর্ম থাজিনবগী অরোইবা মতম্না ওক্টোবর ১৭কী নুংথিল পুং ১ ফাওবা ওইগনি। অদুগা মেনেজর্স মীটিংনা ওক্টোবর ১৭কী পুং ১.৩০দা এন জি কোলেজদা পাঙথোক্লগনি।

মখা তাবা ফোর্ম লৌবগী অমদি অকুপ্পা মরোলগীদমক খুরাই চাইরেনথোংদা লৈবা এন জি কোলেজ অমদি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী দিপার্টমেন্ট ওফ স্পোর্টস ওফিসতা লাত্তুনা খঙলবা য়ারগনি হায়না ওর্গনাইজিং সেক্রেটরি ডা. এম উমাকান্তনা খঙহল্লক্লি।

ফিফা ৱর্ল্ড কপ কটার ২০২২

অহুম্লক রন্নর্স অপ ওইখ্রবা নেদরলেন্দসনা অহানবা টাইটল লৌনবা হোৎনগদৌরি

নুমিৎ ৫২নিদা ঙাইরে ৱারবসু ৱানা ঙাইগদবা

নেদরলেন্দসকী কোচ লুইস ভন গাল

ফিফা ৱর্ল্ড কপকী ২০১৮ ফাওবগী পুৱারীদা ফাইনেল অহুম্লক শরুক য়াদুনা রেকোর্দ থমখ্রবা নেদরলেন্দসনা কটার ২০২২দা মখোয়গী অহানবা ৱর্ল্ড কপ মায় পাক্লবা মশাগী চহী ৭০ শুরবা কোচ লুইস ভন গালগী মখাদা হোৎনগদৌরি।

নেদরলেন্দসনা থংন-থংননা ১৯৭৪ অমদি ১৯৭৮দা ৱর্ল্ড কপ ফাইনেল অনী শান্নরবা মতুং ২০১০দা অহুম্লকশুবা ওইনা ফাইনেল চঙবা ঙমখি। অহানবদা ৱেষ্ট জর্মনিগী মখূৎতা ১-২, অনীশুবদা অর্জেন্টিনাগী মখূৎতা ১-৩ অমদি অহুমশুবদা স্পেনগী মখূৎতা ০-১ মায়থীহৌদুনা রন্নর্স অপ টাইটল ফংহৌখি।

নেদরলেন্সনা অহুম্লকশুবা ওইনা ফাইনেল শান্নখিবা কুমদা রেকোর্দ ওইনা য়েলো কার্দ ২৪ অমদি য়েলো রেদ কার্দ অমা ফংবা ঙমখি। হৌজিক ফাওবদা নেদরলেন্দসনা ৱর্ল্ড কপকী পূন্না গেম ৫০ শান্নবদা য়েলো ৯০, য়েলো রেদ ৪ অমদি রেদ ৩ ফংখ্রে।

কোচ লুইস ভন গালনা কটার ২০২২ অসিদা মহাক্কী টিমনা হেন্না ফজবা পর্ফোর্মেন্সশিং পীগনি থাজবগা লোয়ননা হৌজিকমক্কী ওইনা লাউথোক্ত্রগসু মহাক্কী ৱাখলদা কনা-কনানা ৱর্ল্ড কপ অসিগী স্কৱাদ ওইগনি পূম্নমকখনবা লোইখ্রে।

লুইস ভন গালনা কটার ২০২২ অসিগী মাংওইননা পাঙথোকপা য়ু ঈ এফ এ নেসন্স লীগকী হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা বেলজিয়মগা শান্নখিবা মেটচতা মায় পাক্লবসু মহাক্কী টিমগী পর্ফোর্মেন্সতা অপেনবদি ওইখিদে।

ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ক্লব ওইরিবা লিভরপুলদা শান্নবদা নৎতনা মালেমগী খ্বাইদগী ফবা সেন্টর বেক ওইরিবা ভর্জিল ভন দেক, ইন্টর মিলানগী রাইট ৱিং বেক দেঞ্জেল দমফ্রিস, এফ সী বেয়র্ন ম্যুনিককী ৱেলরাউন্দেদ মিদফিল্ডর রাইন গ্রেভেনবর্জ অদুগা এফ সী বর্সেলোনাদা হৌজিক-হৌজিক শান্নরিবা তোপ-তোপ্পা পাসিংগী স্কিল নীংথিনা লৈরবা ফ্রেঙ্কি দি জোং অমদি টিম অসিমক্তদা ফোরৱার্দ শান্নবদা নৎতনা হন্দক্কী ৱর্ল্ড কপ অসিদা দটচ টিমগী অহানবা গোল চনগনি পানরিবা মেমফিস দিপেনা মরুওইবা কিরোল লৌদুনা নেদরলেন্দসকী অমুক্তা ফংদ্রিবা ৱর্ল্ড কপ চেম্পিয়ন ওইবগী মঙলান মঙফাওনহনগদৌরি।

ৱর্ল্ড কপ ২০২২গী নেদরলেন্দসকী কি প্লেয়র মঙা

ভর্জিল ভন দেক
(সেন্টর বেক)

দেঞ্জেল দমফ্রিস
(রাইট ৱিং বেক)

ফ্রেঙ্কি দি জোং
(মিদফিল্ডর)

রাইন গ্রেভেনবর্জ
(মিদফিল্ডর)

মেমফিস দিপে
(ফোরৱার্দ)

Date	Match Details (Grp-A)	Venue
November 21	Netherlands vs Senegal	Al Thumama Stadium
November 25	Netherlands vs Ecuador	Khalifa International Stadium
November 29	Netherlands vs Qatar	Al Bayt Stadium

5 to 10% DOWN PAYMENT FOR 2WHEELER,VAN & AUTO
LOAN AVAILABLE
EWMPLOYMENT NEWS:Car Driver,Security,Mechanic&Gr-IV,
Legal Advisor,Computer Operator,Chawkidar
OFFICE ASST.(KAKCHING,SAMUROU,NAMBOL,THOUBAL,MOIRANG,)
L.G. MOTORS FINANCE
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI,H.Q
CONTACT No.:- 9774495994/8731978490
NEAR YUMJAO LAIREMBI MANING,IMPHAL WEST,MANIPUR
OFFICE HOUR:
10.00AM TO 4.00PM
BRANCHES:- SEKMAI KOUJENGLEIMA,SAMUROU NEAR MACHU HALL,KAKCHING IRUM LAMDONG, THOUBAL OKRAM, NAMBOL PHOIJING LAMBAN,MOIRANG PATLOU.

HL-B/7804/19/8-16/9(alt)

HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



PUZZLE NO. 586

WIM Fiona Sieber (2228) - WGM Sarah Hoolt (2331)
Frauenbundesliga 2019-20 Germany GER (1), 2019.09.14

1.e4 e6	2.d4 d5	3.Nc3 Nf6	4.e5 Nfd7
5.f4 c5	6.Nf3 Nc6	7.Be3 Be7	8.Qd2 a6
9.dxc5 Nxc5	10.O-O-O Qa5	11.Kb1 b5	12.Nd4 Nxd4
13.Bxd4 b4	14.Ne2 Ne4	15.Qe3 Rb8	16.g4 Bh4
17.Bg2 Bf2	18.Qb3 Bxd4	19.Nxd4 Nc5	20.Qe3 Bd7
21.f5 Na4	22.Nb3 Qd8	23.Rhf1 Bb5	24.Rf2 Qb6
25.Qf4 Rb7	26.Rfd2 Bc4	27.f6 g6	28. ...

QUESTION :
White to win

Puzzle 585 Ans. :

27. Qf6+ The white queen deflects Black's queen away from protecting the square e8. Opening the line from e8 to h8. Qxf6 28. Re8+ Qf8 29. Rxf8#
Back-rank mate
1-0



লোউশিংউ অমসুং লৌমীশিংগী নাইফ-থৌরাং মহলাম
ভারত সরকার

Azadi Ka Amrit Mahotsav

প্রধান মন্ত্রী
ফসল বীমা য়োজনা

"প্রধান মন্ত্রী ফসল বীমা য়োজনানা লৌমী করোর কয়া অমগী অহেনবা সেক্যুরিতী পীবীদুনা কান্নবা কয়া অমা ফংহন্দুনা খুদোংচাদবা হন্থহল্লে। হায়রিবা থৌশিল অসিনা ফংগদবা শেনফমশিংদা মনুং মপান ফাওনা উহন্দুনা লৌমীশিংদা অনৌবা থাজবা অমা পীরে।"

নরেন্দ্র মোদী, প্রধান মন্ত্রী

শোইহন্দনবগী খুদোল
মহৈমরোংগী ইন্সুরেন্স পোলিসী
হৌজিক্তি অদোমগী খুত্তা

থৌরাং অমা, কান্নবনা ময়াম
- শেনফমশিং লৌমীশিংগী বেঙ্ক একাউন্ততা হকথেংননা
- মিং চন্নবগীদমক লোল 12দা এন.সি.আই. পোর্তেল অমসুং ক্রোপ ইন্সুরেন্স এপ
- চাথোক হেন্না লৈহন্নবা অনৌবা তেক্নোলোজী
- লৌমীশিংগী য়াইফনবগীদমক য়ুম্থোং-য়ুম্থোংদা ফংহল্লিবা থৌশিল

চহি তরেৎকী থৌরাং - অনৌবা খুদম অমা শেম্লে
- চহি খুদিংগী লৌমী করোর 5.5 হেন্না থৌশিল অসিদা য়াওশিল্লক্লি

খরিফ 2022গী মরুওইবা মায় পাকপশিং
- লৌমী করোর 6কী এপ্লিকেসন ফংখ্রে
- খরিফ 2021গা চাংদম্নবদা খরিফ 2022দা লোন-লোন ওইবা লৌমীশিংগী এপ্লিকেসন 21% য়ৌনা হেনগৎনা মিং চনখি

লৈবাক শীনবা থুংনা লৈরিবা লৌমীশিংদা লুপা করোর লাখ 1.22 ইন্সুরেন্সকী মওংদা পীখ্রে, অদোমসু অদোমগী রবি মহৈ মরোং শোইদনা লৌবীয়ু

অহেনবা অকুপ্পা মরোলগীদমক কিশান কোল সেন্তর 1800 180 1551 দা কোল তৌবীয়ু

pmfby PMFasalBimaYojana pmfasalbimayojana

HL-B/7849/29

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com